# ‘পু-পু হয়েংসু লুখ্রাবী শামু লোয়বীগী ৱারী লীবিয়ু’

- এল ইবোমচা -

সনা লৈবাক মণিপুর
কোলোই নঙগী মণিপুর
লাইজনুংগী মনি
নারক্কী লৈরাং
পীতক্না মঙাল চাওবীনি...।

ঈশৈ অসি বি জয়েন্তকুমার শর্ম্মনা শৈরেংলগা এ শ্যাম শর্ম্মনা শৈবান্দুনা রুপ রাগনা শাফোংলকপগা ইকুই কুইদনা শক্লত্তুনা তাহনখিবদগী মণিপুর মীয়াম পূম্নমক মরৈবাক নীংবা অমসুং নুংশিবগী ঈথিল পীবা ঙমখিবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিগী ময়েক অমসুং শুর ইচম চম্বা ওইবনা মী অমনা হেক্তা ইরায় লায়না শকপা ঙম্মী, অদুগীসু মথক্তা ঈশৈ অসি মণিপুর লৈঙাক্লা শকখঙদুনা লৌশিনখিবদগী লৈবাক মীয়ামগী ঈশৈ ওইখ্রে।

মমাঙঙৈদা অঙাংশিংনা লৈকায়গী অমসুং ময়ূমগী মপু মবেলশিংনা ঙাইহাক শংবদা পু-পু, বো-বোক ৱারী লীবিয়ো, ফুঙ্গা ৱারী লিবিয়ু হায়না তৎতনা হায়বদগী ৱারী লীহল্লগা তানরম্মী। ৱারী অসি অঙাংশিংদা লীবদা ফুঙ্গাগী নকয়াদা লৈরগা লীদ্রবদি য়াদে হায়বা লৈতে, মফম অমা হেক্তদা লীদুনা তাহনবা য়াই। য়াম্না ঙক্লিবদি ৱারী লীরিবা অমসুং তারিবা অঙাংশিং পূন্না নুংঙাইবা মতৌ অদুনি য়েংবা নুংঙাইরিবদি। ৱারী লীবা হেক হৌবগা অঙাংশিংনা অতোপ্পদা ৱাখল চোইদনা ৱারী লীরিবা অহলদুগী মচিনবান লেংবদু য়েংলগা তাগনি, অদুগা ৱারী লীরিবা অহলদুসু অঙাংশিংনা মনা থাঙ্গৎতুনা হয়িং চঙগনি খন্দবমখৈ ময়া কাথোক্লিবা মচিনবানশিংদা চাগদবগুম য়েংলগা ৱারী লীবি। অঙাংশিংনা মচি লেংদবমখৈ থৱায় তানা তাবগী মতৌদু উরুবদা ৱারী লীরিবা অহলদুসু মথৌ হাপকৎলত্তুনা চোঙবগা ফনবগা, মখূৎও-মশাও, মীৎচি-নাচি য়াওনা ৱারী লীরকপদুদদি অঙাংশিংসু য়াওশিল্লকই। ৱারী লীবদুনা খাদা-ৱাংদা, নিংদা-মাংদা চেপ্লে, মখোয়সু চেপকনি, পৈরে মখোয়সু পৈগনি, নোক্লে পূন্না পূন্না ৱা-ৱা নোক্কনি, কপ্লে পূন্না পূন্না শুৎ-শুৎ কপমিন্নবনা, ওন্থোক্লা মমল অমসুং মগুন লৈখ্রবা মশু-মপু পূন্না নুংঙাইমিন্নবা কুম্মৈ মখল অমনি হায়না লৌবা য়াই।

ফুঙ্গা ৱারী, চাকঙাই ৱারী হায়রগসু খঙনৈ, মসি ৱাখলনা শেমগৎ শাগৎলগা ওইহল্লকপা মান্দে, মমাঙথক্তা থোকখিবা থৌদোক খরদা য়ূম্ফম ওইরগা অহল-লমনশিংনা অতোপ্পা মমিং অমদা ওল্লগা অঙাংশিংদা চাকঙাই ৱারী ওইনা তাহল্লম্বদগী ফুঙ্গা ৱারী ওইনা ওইহল্লম্বা য়াই। মরম অসিনা ফুঙ্গা ৱারী মখল মখলনি, অকি-অখং, লৌশিং তান্নবা, পাউখোং চন্নবসু মনুং চল্লি। অদুগা মখল মরি থোক্লসু খায়দোকপা য়াই হায়না খল্লি।

অহানবদা, লাই-তীলগী হায়রগনা মহাভারত, রামায়ন, সনামহী পাখংবা, লাঙ্গোল লুখোইনচিংবগী ৱারী লীদুনা তাহল্লবা তুংদা লাই-খূৎশাংবীগী ৱারী লীদুনা তাহল্লবদদি অঙাংশিং কিমনখিবনা শ্বর হোল্লি খঙদবমখৈ তূমিন-তূমিন্না লৈনৈ।

অনীশুবদা, তাইবঙ মীনা শা-উচেক ওনখিবগী ৱারীদা কবুই কৈওইবা, শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা, পোক্তবী মচা নুপীনা হরি নোংনাং অমসুং উচেক লাংমৈদোংনচিংবা ওনখিবগী ৱারী লীবদা মখোল থোক্লা অঙাং অমনা শুৎ-শুৎ কপ্পাহেক হৌরকপদা ময়াম পূন্না হৌনদুনা কপমিন্নে।

অহুমশুবদা, লৌশিং তান্নবগী ৱারীসু মখল অমগী মহাউনি, ওইনাম বিজান্দো, পেবেৎ মচা চাউবা ঙাইবা, হনুবা হনুবী পান থাবা, লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকাংনান, নিংঙোল মৱা অপংবা, হৱাইমান অমসুং থম্বালনুগী ৱারী লীদুনা তাহনবদা অঙাংশিং নোকপা হেনমনখিনা মনপ মতিন ওরো-ওরো চুবা মশা মশানা অমত্তা খঙজদবা মতৌদা ৱারী লীরিবা অহলদুসু মমিৎতা মপি তাবমখৈ নোকচৈ।

মরিশুবদা, নুংশি নুংওনগী ৱারীসিনা অমুক ময়ামদগী তোপ তোপ্পা মহাউ অমনি হায়বা য়াই। য়াইরিপোক থম্বালনু, অকোংজাম্বা ফৌওইবী, হাওরং লৈশং শাফবী, য়াইথিং কোনু, তোনু লাইজিংলেম্বী, খম্বা থোইবী অমসুং হেঞ্জুনহাগী ৱারী লীদুনা তাহনবদসু মফম মতম চানা পুন্না নোকমিন্নে, কপমিন্নে।

ফুঙ্গা ৱারী মরক্তুদা মচল অমা ওইনা পাউরৌগা শাগোন্নবা ৱারীসু লৈতবা নত্তে, লুখ্রাবী শামু লোয়বী, হিয়াং য়েংলিঙৈ তুম্বাগী শেল থৌবা, লৈমা য়েংলিঙৈ খুনু কাবা, পেনা শেন্নিঙৈ শামুরৌ য়ৌবা কা মীংথোনবা অতেনবা অমসুং অশাংবা ৱারী কয়ামসু লৈ। মসিদগী অমুক হেন্দোক্তুনা ঈশৈগী মরমদসু, অনেম্বা ঈশৈ, অৱাংবা ঈশৈ, খুল্লং ঈশৈ হায়না শৈহেক অহুম থোক্লা শক্তুনা অঙাংশিংদা তাহল্লি। ঈশৈ অসিদা ফুঙ্গা ৱারীগী মনুং চন্না নুংশি নুংওনগী ৱাহৈ ৱাতা য়াওবা প্রমান পান্থৈদা অওক অথোংগী অঙক অঙকপা ঈশৈ কয়া খোঞ্জেল ওন ওন্দুনা শক্তুনা তাহল্লি। অদুবু অঙাংশিংনা খ্বাইদগী নুংঙাইজবা তারিমখৈ পেনবা নাইদবা ৱারীদি, মীয়াম্না লুখ্রাবীনি খন্না তোন্না খনবীরিবী, লৌশিং চাউবী, পুকচেল চাউবী, তোল্ল-তারবা, লৈত-লায়রা অমসুং লৈকায়গী, লৈবাক্কী ওইনা অৱা অনা থোক্লকপদা মতেং চাউনা পাংথোকখিবদা পাম্মুদবী, হংলুবা খুদিং ৱাৎতা পাদবী, অহিংদা হুরানবা চঙলকপদা লৌশিংনা শামু ফাবগুম ফাবা ঙম্বী মীয়ামগী “লুখ্রাবী শামু লোয়বী” গী ৱারী অসিনি।

লীবা য়াবা ৱারী লীদুনা অঙাংশিংদা তাহল্লবা তুংদা ফুঙ্গা ৱারীগা মরী লৈনদবা শৈরেং মানবা..., চীংনা কোয়না পনশাবা, হাওনা কোয়না পনঙাকপা, মণিপুর সনা লৈময়োন, খয়না য়াংকোক মওংনি,... অসুম্না মচিন্দগী হায়দুনা তাহল্লি।

অশেংবদি চীংমী তম্মী পূন্না লৈমিন্নরিবা মণিপুরগী ঙমখৈ (মেপ) অসি খা ৱাং শাংলগা, নিং-মাং তেল্লি খঙবদগী য়াংকোক্কী মওংনি হায়না ফোঙদোকপা মাল্লি। অদুগা য়াংকোক মচিনগী ফিবাল নাম্থোক্তনবা চাগোই অনীনা লাকশিন্দুনা কোয়শিনবগুম চীংমীনা কোয়না চেকশিন্না ঙাক্তুনা লৈ হায়বগী ৱাখল্লোন পুবা শোয়দনা ওইগনি।

হায়জনীংলিবদি, ফুঙ্গা ৱারী লোইশিল্লকপদা অঙাংশিংদা তাহল্লিবা শৈরেং মানবা ৱাহৈশিং অসিগা রুপ-রাগনা পুথোকপা মথক্কী ঈশৈ অসিগা য়াম্না নকশিন্নবা মরী লৈনবনা মণিপুর লৈঙাক্লা ঈশৈ অসিবু শকখঙদুনা লৈবাক মীয়ামগী ওইনা লৌশিনখিবা মতিক চপ চাই।

অসুম্না চীংমী তম্মী অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নগদবনি হায়বগী পাউতাক পীদুনা নোংমদুগী ৱারী হেক লোইশিল্লকপদা খঙহৌদনা অঙাংশিংদুনা চপ মান্নবা খোঞ্জেলদা, “পু-পু হয়েংসু লুখ্রাবী শামু লোয়বীগী ৱারী লীবিয়ু” কো-কো পুপু...। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### এল পি জি, সী এম ঐচ টি কার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী অরোয়বা শরুক্তা পাঙথোক্কদবা আই এম সীগী মীখলদা ৱার্দ নম্বর ১৯ দা কোওপরেটরগী মীরেপ ওইগদৌরিবা ব্রহ্মপুর লালজি লাকপা লৈকায়দা লৈবা থোঙাম গোবিন্দনা ঙসি ৱার্দ অসিগী মনুংদা লৈবা লায়রবগী পঙখৈগী মখাদা লৈবা মীওইশিংদা উজলাগী মখাদা এল পি জি, পি এম জে ৱাই কার্দ অমদি সী এম ঐচ টিগী কার্দশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা অধার কার্দ নৌনা শাবা য়াওনা শেমদোকপগী থবক অমদি বেঙ্ক একাউন্ট লৈতবশিংদা নৌনা একাউন্ট হাংবগী থবকসু পাঙথোকখি। কোওপরেটরগী মীরেপ ওইগদৌরিবা থোঙাম গোবিন্দনা ৱার্দ অসিদা লৈবা মীওইশিংদা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং মাগী মায়কৈদগী খুদোংচাবশিং ফঙহনখ্রে। মখা তানসু ৱার্দ অসিগী মনুংদা লৈবা মীয়ামদা মতম মতমগী লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা স্কিমশিং ফঙন্নবা হোৎনগনি।

মখা তানা মেম্বর ওইনা টার্ম অনী মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিঙৈদা মীয়ামগীদমক তৌনিংবা থবক কয়া লৈরবসু তৌবা য়াদবা কয়া লৈখি। মীয়ামগী হেন্না থবক তৌবা ঙম্ন বা কোওপরেটরগী মীরেপ ওইনা থোরকপনি হায়খি।

### মণিপুর লৈঙাক্লা নাকল নাম্মতগী ওইবা মীয়েংদা থবক তৌরিবসি তোক্কদবনি

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর অসি মীয়াম্না মিনি ইনি দয়া হায়রগা খঙনরিবা ষ্টেট অমনি। ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা মতম কয়াগী মমাংদগী নুংশি চান্ননা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা মচু কয়াগী ওইবা ফজরবা শক্তম অমা শাগত্তুনা লাক্লি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা অতম্ননা ফুরুপ অমত্তদা য়েংশিনবগী থৌওং চথবা হৌরক্লি। মরুওইনা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা অনীরকশুবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা বিরেন লৈঙাক্লা নাকল নাম্মতগী ওইবা মীৎয়েংদা থবক তৌরি। মসি তোক্কদবনি হায়না কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওর্গনাইজেসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মতম কয়াগী মমাংদগী লমদম অসিদা খুন্দামিন্নদুনা নুংশি চান্ননা হৌরকখ্রবা ফুরুপশিংগী মরক্তা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবগীদমক থ্বক কয়া পায়খৎলকপা হৌখিবা চহী খরা অসিদা উরক্লি। মসি লাইবক থিবনি। তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অসিগী হান্না লৈজরল্লিবা নুংশিনবগী মরী অদু অমুক্কা হেন্না কনখৎহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা শিংচেপ থাজিন্দুনা অমগা অমগা নুংশিনহন্দনবা হোৎনরক্লি। মসিগী মথক্তা মতম পুম্বদা মীগী মাঙনবা শিল্লগা নুংঙাইজবা মীওই অমদি ফুরুপ খরনা অসিগুম্বা থবক থৌরম অসিদা থৱায় য়াওশিন্দুনা অমগা অমগা কায়ননবা শিল্লি।

মরুওইনা লমদম অসিগী চীংগী শরুক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা মতম কয়াগী মমাংদগী নীংবা থুংদনা লাক্লি। ফংফম থোকপা কয়া ফংদনা লাক্লি। মরুওইনা কুকি ফুরুপশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। মরক অসিদা মশাগী অনিংবা অপাম্বা খরা ফোঙদোক্লুবগীদমক ফুরুপ অসিগী মীওইশিংবু ফাদুনা জেলদা ফাওবা থল্লি। মসিনা মরম ওইরগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরম্বা কয়া মচেৎ তানা কায়থহল্লকপা হৌরে। হৌজিক ষ্টেট অসিদা কাংলূপ মশেল উংখৎনবা থোকহনবা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরিবা অসি লৈঙাক্লা মতম চানা থিংনবা হোৎনগদবনি। ফুরুপ অমনা ফুরুপ অমবু মতম পুম্বদা ইকায়খুম্নবা উৎকদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

### মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): হন্দক্তা হায়দোকখিবা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব এগাজমিনেসন্দা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিং ৱাটর রিছোর্স মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

কংলাতোংবীগী ওলিভিয়া হায়র সেন্দেরি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা স্কুল অসিগী মায় পাকখ্রবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর অৱাংবৌনা হায়খিবদা, স্কুল অসিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা হন্দক হায়দোকখিবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজামদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংদা টোপ্পর ওইবা ঙম্লি। মসি য়াম্না চাওথোকচনিঙাইনি। মমাংদসু স্কুল অসিদগী মায় পাক্লবা মহৈরোয় কয়া পুথোকপা ঙমখ্রে। মখা তানসু পুথোরক্কনি হায়না চাওনা থাজবা থল্লি। স্কুল অসিগী ওজাশিংনসু কখোকপগা লোয়ননা অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনগদবনি। মহৈরোয়শিংনসু ওজাশিংবু মতম পুম্বদা ইকাইখুম্নবা উৎকদবনি হায়খি।

### শৈরেং থিবা অমদি ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমগা লোয়ননা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু ঙসি অঞ্জি কলচরেল একাদমি, শর্ম্ম আর্টস এন্দ ক্রাফ্টস হাউস অমসুং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিনা পুন্না খুৎশম্ন দুনা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা মশক থোক্লা থবক তৌরিবা অমদি তৌরম্বা মীওইশিংদা লোংয়ান ফি ইন্দুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি। ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইকাইখুম্নবা উৎখিবশিং অদুদি প্রোগ্রেসিব আর্টস লেবোরেটরি (পাল) গী দিরেক্টরসু ওইরিবা মমিং লৈরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট এন টিকেন, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিগী দিরেক্টর পি বিলাস, মতম অমগী মণিপুর মমি তাইবংদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা কাঙবম তোম্বা, য়েংখোম রোমা, আর কে হেমাবতি, ওইনাম চনচন অমদি থোকচোম লনসনা চনুনি।

থোকচোম লনসনা চনুনা ফোঙ্ককী ফজরবা ঈশৈ অমা শক্তুনা হৌদোকখিবা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দে থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা শর্ম্ম আর্টস এন্দ ক্রাফ্টস হাউসকী মেনেজিং দিরেক্টর বি বনমালিনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ম্যুজিক দে হায়না পাঙথোক্লরিবা অসি য়াম্না মরুওইবা নুমিৎ অমনি। ম্যুজিক অসি মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি। ম্যুজিক্লা লমদম অমগী ফজবা অদু মালেমগী মীয়ামদা খঙহনবা ঙম্মী। মসিদা নত্তনা হৌজিক্তি অনা লায়েংগী থবক্তা ফাওবা ম্যুজিক থেরাপি হায়না তোঙান্না শিজিন্নরক্লিবা অসিনি।

অদুবু ঙসি পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দেগী থৌরম অসি ম্যুজিকখক্তগী ওইবা নত্তে। ঙসিগী থৌরম অসিদা শৈরেং লাম্থোকপগী শরুক অমসু য়াওরি। শৈরেং অসি ঈশৈ ময়েক্কী হৌরকফম অমা ওইনা ঐখোয়না খল্লবসু য়াই। হান্না ইদুনা লৈরম্বা শৈরেং কয়াদগী ঈশৈ ওইনা শকখিবা য়াওদবা নত্তে। চপ মান্নবা ঈশৈ ময়েকসু শৈরেং মখল অমনি হায়খি।

অমরোমদা ঙসিগী থৌরম অসিদা মরুওইবা মীওই অমা ওইনা শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বা হান্নগী আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর ডা এম নরাগী হকচাংগী ফিভম ফত্তবদগী হোস্পিটালদা লৈখিবা অদুবু মহাক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফোর্মর মিনিষ্টর অসিনা লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচর য়োকখৎনবা হোৎনরম্বশিংগী মতাংদসু ঙাঙখি।


### ‘প্রাইভেট স্কুলশিংদসু লাইরবা মহৈরোয়শিংগী খুদোংচাবা লৈহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা শিনগদবনি’


ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): হন্দক্কী সেসন হৌরকপদগী লমদম অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংদসু রাইট টু এদ্যুকেসন এক্টকী মতুংইন্না স্কুল স্কুলশিংগী ওইনা লৈজরিবা অপুনবা সিটকী চাদা ২৫ দি লাইরবা মহৈরোয়শিংদা ফ্রি অমদি কম্পলসরি এদ্যুকেসন পিহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা শিনবিগদবনি হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম লময়ানবনা ফোঙদোরক্লি।

দেসামগী কো ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন দিষ্টর্বেন্স ফ্রি এদ্যুকেস্নল জোন দিমান্দনা চঙশিল্লকপা কেম্পেন ফোর দিষ্টর্বেন্স ফ্রি এদ্যুকেস্নল জেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ষ্টেন্দর্দ রোবর্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমগা মরী লৈননা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিগী এদ্যুকেসন সেক্টরশিং চাওখৎহন্নবগীদমক চহী খুদিংগী ওইনা বজেটতা লুপা ক্রোর লিশিং ২.৫ হেন্না হাপ্তুনা থাদরবসু লমদম অসিদা লৈরিবা গভর্নমেন্ট স্কুলশিংদি নোংম-নোংমগী শিথরক্লি। এন্যুয়ল ষ্টেটস ওফ এদ্যুকেসন রিপোর্ট (এ এস ঈ আর) গী মতুংইন্না মণিপুরগী গভর্নমেন্ট স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং ইনরোল তৌবগী চাং অসিদা চাদা ২৬ তগী ১৩ দা হন্থখ্রে। মহৈরোয়শিং গভর্নমেন্ট স্কুলশিংদা মীং চনবগী চাং হন্থরক্লিবা অসি মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তম্বা তোকখিবগী নত্তে। গভর্নমেন্ট স্কুলদা থাজবা থল্লক্তবদগী প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওইনা ইনরোল তৌনখিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈরোয় খ্বাইদগী মশিং য়াম্না তম্বসি মণিপুরনা ওইরি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা তাকপদি লমদম অসিদা লৈরিবা গভর্নমেন্ট স্কুলশিং অসিনা মপুং ফানা ক্বালিটি এদ্যুকেসন মহৈরোয়শিংদা ফংহনবা ঙমদ্রে হায়বনি। মরম অদুনা সোসিও ইকনমিগী ফিভম কা হেন্নসু ফত্তবা লমদম অসিগী ওইনা লৈঙাক্লা এদ্যুকেসন সেক্টরদা কা হেন্না শেনফমশিং থাদদুনা হোৎনরবসু মদুগা চানবা এদ্যুকেসন পীবা ঙমদ্রবনিনা অতোপ্পা লম্বী অমা থিবা মথৌ তাই। খুদম ওইনা হায়রবদা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংবু ক্বালিটি এদ্যুকেসন ফংহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনাস্কুলশিং অসিগী অপুনবা সিটকী চাদা ২৫ দি আর টি ঈগী মতুংইন্না লাইরবা মহৈরোয়শিংনা লেম্না তমহন্নবা থৌশিল পায়খৎপনা হেন্না ফবা খোঙথাং ওইরগনি। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা লাইরবা মহৈরোয়শিংগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি হায়খি।

ঙসি ষ্টেন্দর্দ রোবর্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা এৱারনেস প্রেগ্রাম অদুগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা এদ্যুকেসন ফ্রি জোন ওইহন্নবা দিমান্দ তৌখি।


## ꯃꯥꯡ / NO OBJECTION CERTIFICATE LOST

I have lost my No Objection Certificate issued by Karnataka State Dental Council bearing Registration No. 33999 A on the way between Lamlai and Lamlong Bazar on 17/06/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Dr. Roma Arubam**
Pungdongbam Awang Leikai
HL-P/3127/23

## ꯆꯍꯤꯒꯤ ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / CHAHIGI DASHA YENGJARI



Apaiba dasha, Yeknaba, Laina-tinna, Thabak-Karbar, Mahei-Mashin, Awangba Pariksha, Shel-Thum Putthaba, Yum-Ingkhol, Lou, Yumbal, Nupi-Angang, Macha Yaodaba, Haina-Tannaba Indaba, Nishada Laichuba, Paknaba Gari, Lucky Stone nachingba, Khubak Mayi amadi Kuthidagi Kupthana Yengjari. Lakpa Ngamdabasingi Online dasu yengjari.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
**(International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456
HL-B/7640/13/5-10/6 (alt)

## ꯔꯥꯀꯠꯆꯕ / ৰাকৎচবা

ঐ মখাদা সহী তৌজরিবা ঐহাক্লা ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা ৱাফম খরা ফোঙদোকচরি। মদুদি ঐ, লাইখুরাম খোমদোনগী মচানুপী অবে (মেনকা) ঐনা, চানা সন্ত্রোক ময়াই লৈকাইদা লৈবা মুতুম খোম্বা (সুরচন্দ্রা) কৌবদা ইং ২০০৫দা য়ূম পাল্লে। নুপা ময়ূমদা খৎন-চৈনবা থোক্লকপদগী ৭/১/২০০৬ তা কোংবদা লৈবা ইপামদা হল্লকখি। মহাক্লা লৈমিন্নরিঙৈ মতমদা মীগী শেল ময়াম অমা পুশিল্লম্বদগী ঐ হৌজিক মীগী শেলনা খ্বাঙ কোইরে। অসুম্বা ফীভমদা ঐবু থম্বীরল্লে। মীগী শেল-থুম ময়াম অমা তোনবনা হৌজিক ইমা-ইচা অৱাবা মায়োক্নরে। ঐগী ইপানা (পাবুংনা) কৌবদা লাকউ য়াদ্রে।

হৌজিক মহাক হৌখিবা ১৭/৬/২০২২ দা নুপী অমা চেল্লে অদুগা ২০/৬/২০২২ দা কৈন্যা কৎখ্রে। মরম অদুনা ইমা-ইচাশিংগী মায়োক্নরিবা অৱাবা অসিবু য়েংবীদুনা মরী লৈনবশিংনা মতেং পাংবীনবা পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

হায়জরিবা : **লাইখুরাম অবে (মেনকা) দেবী**
কোংবা মখা নান্দৈবম লৈকাই।
HL-P/3126/23

## ꯑꯔꯥꯕ / অৱাবা ফোঙদোকপা



ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংলুপ কম্মিটিগী মেম্বর ওইবীরম্বা শ্রী নাওরেম তোম্বী সিংহ (৬৭)না হৌখিবা তাং ২০/৬/২০২২ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা শিংলুপ কম্মিটি মেম্বরশিংগী অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙসি তাং ২২/৬/২০২২ ইংগী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা শিংলুপ কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোকখি। হায়রিবা মীফম অসিনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী খূয়াদা চঙজদুনা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা মিনিৎ ২ (অনি) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা : **অখাম সনজিৎ সিংহ**
সেক্রেটরি, ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাই শিংলুপ কম্মিটি,
ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর।
HL-P/3125/23

## ꯃꯥꯡ / WALLET LOST

I have lost my wallet containing items, PAN Card bearing no. ATYPY4730G, Aadhaar Card bearing No. 697147069895, Voter Card bearing EPIC no. GJM0322800, Driving Licence bearing no. MN-0120170056788 and Smart Card of FZ-S, Chassis no. ME121C0H4D2016046 & Engine no. 21CH016007 issued by DTO Imphal West on the way from SBI Nambol to Nambol Bazar on 20/06/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Dayananda Singh Yumnam**
Lamdeng Awang Leikai
HL-P/3129/23

## ꯃꯥꯡ / LOST OF PURSE

I, Samuel Riamei of Sangaithel Thuizang, Imphal West have lost my purse which include all my important documents i.e. SBI ATM Card, Aadhaar Card, Driving Licence, Vehicles Registration Card bearing no. MN06LA0526, PAN Card, Voter card and Health Card on the way between Nagamapal to Sangaithel Thuizang Village on 18th of June 2022. Finders are requested to handover the undersigned.

Sd/- **Samuel Riamei**
Sangaithel Thuizang Village,
P.O.- Langjing CRPF Camp, Imphal West, PS Patsoi
HL-P/1363/23 # 9366815961

**BEFORE THE OATH COMMISSIONER (JUDICIAL), IMPHAL WEST, MANIPUR**

## ꯑꯦꯐꯤꯗꯦꯕꯤꯠ / AFFIDAVIT

I, **Ngasepam Sunita Chanu**, W/o Khangembam Kuber Singh, a resident of Singjamei Waikhom Leikai, P.O. & P.S. Singjamei, Imphal West District, Manipur, do hereby make Oath and solemnly affirm as under:-

1. That, I am a bonafide law abiding citizen of India by birth having a permanent resident of the above mentioned place. This is true to my knowledge.
2. That, in the documents of HDFC Life Insurance Policy No. 17236213, my name is recorded with Husband's Surname "Khangembam" with title "ongbi" and "Devi" such as Khangembam Ongbi Sunita Devi whereas in the Aadhaar, my name is recorded with the parental surname "Ngasepam" with title "Chanu" such as Ngasepam Sunita Chanu. So the name **Khangembam Ongbi Sunita Devi** and **Ngasepam Sunita Chanu** pertain to same and one person i.e. belong to my name only. But I desire to rectify/ record my name as Ngasepam Sunita Chanu in any relevant documents in order to avoid complicacies in future. Hence this affidavit. This is true to my knowledge.

Verified that the statements made in the above paras of this Affidavit are all true and correct to the best of my knowledge and belief and nothing material has been concealed therein.

Dated/Imphal,
The 22nd June, 2022
By : **Advocate**
**Y. Sanatomba Meetei**
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal West, Manipur

Signature of the Deponent
**Ng. Sunita Chanu**
HL-P/2969/23

[illegible]

ATTRANS **Walk-in-Interview**

1. Recovery Executive (Graduate/+2),
2. Office Assistant (Graduate/+2 with Comp Knowledge), 3. Dev. Officer (Graduate)

Salary: Negotiable (During Probation Period)

*Submit resume at attransindia@gmail.com*

0385-2421117
9863932339
Attrans Global Foundation
Chingmeirong, Imphal
HL-P/3131/23

**[illegible] / অমাংথোংঙদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা শা-ঙা চারগনা হেন্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না লিক্লা হাম্বা হামেং মথিগুম্না মরু মরু খজিকতং হাম্বা, খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, হাম্বা চঙলুরগনা হাম্বা য়াদবা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা মরক মরক্তা খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা নাবা হৌরকপদা অমাংথোঙদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শা-ঙা চারগনা খাঙবা ঙমদবা, অমাংথোঙদা হেন্না হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদু খাঙবা ঙমদদুনা খোৎপা মতমদা অমাংথোঙ মপানদু তৎপা অমদি অমাংথোঙ মপান্দু চাওথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না লিক্লা হাম্বা হামেং মথিগুম্না মরু-মরু খজিক্তং হাম্লকপা, খোঙ মপুং ফানা হাম্বা য়াদ্রবনিনা পুক্তা নুংশিৎ কাবা অমদি চাবা থকপসু য়াদবা, ওনিং ওনিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা চঙলুরগনা হাম্বা য়াদবা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাওবা পোমথোরকপা অদু অমুক হঙ্গৎখিবা, অমুক চাওথোরকপা অসুম্না তৌরগা লৈবা, মরক মরক্তা খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু অমুক ফখিবা অমদি অমুক নারকপা মতুংদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা অমদি অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোক্লগা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Ch. Romesh Meitei**
Sekmai
HL-B/7692/23